


ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ ꯁ꯭ꯄꯣꯔꯇꯁ

# হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস






স্রিলঙ্কাগা শান্নবা অনীশুবা টেষ্ট মেটচতা বোল ৩১১দা রন ১২৬ য়ৈদুনা ৱেষ্ট ইন্দিজগী অনীশুবা টেষ্ট মেটচ শান্নবদা ৱেষ্ট ইন্দিজগী মায়কৈদগী বেটসমেন অমসুং কেপ্টেন ওইরিবা মশাগী করিয়রগী ৯শুবা সেঞ্চুরি য়ৈখ্রবা ক্রেগ ব্রাটৱাইটে

টর্কিদগী ইন্দিয়াদা বোক্সরশিংগা লোয়ননা এক্সপোজর টুর্নামেন্ট য়াওরুরবা মতুং ঙসি ইন্দিয়াগীদমক ফ্লাইট তোংলমদাইদা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ অনীরক ওইরকপদগী মফম অদুমক্তদা কারন্টিন তৌহৌরিবা ইন্দিয়াগী কোচ ধর্মেন্দ্র য়াদব

## বেলারুসপু বেলজিয়মনা পাঞ্জল ৮-০দা মায়থীবা পীখ্রে, পোর্টুগালনা লুজেমবোর্গপু ৩-১দা থোইখ্রে



দেন দ্রিপ, মার্চ ৩১ (এজেন্সী):

কুমজা ২০২০দা কটারনা য়ূম্বু ওইরগা পাঙথোক্কদৌরিবা ফিফা ৱর্ল্ড কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী য়ুরোপকী ক্বালিফিকেসন টুর্নামেন্টকী ঙরাং শান্নখিবা মেটচ অমদা বেলারুসকী টিম বেলজিয়মগী মখূৎতা পাঞ্জল ০-৮দা মায়থীবা নংখ্রে। অদুগা অতোপ্পা মেটচ অমদনা পোর্টুগালনা লুজেমবোর্গপু ৩-১দা থোইবা ঙমখ্রে।

বেলজিয়মনা য়ূম্বু ওইরগা লৈবাক অদুগী সিটি দেন দ্রিপতা লৈবা কিং পাৱর ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা ক্বালিফিকেসন টুর্নামেন্টকী মেটচ অদু বেলজিয়মনা বেলারুসপু হাফ অনীমক্তা পাঞ্জল ৪/৪ হাপচিল্লগা ৮-০দা থোইবা ঙমখি।

অহানবা পাঞ্জল অদু ১৪শুবা মিনটতা জেরিমি দোকুনা পীবা বোলদা মিচি বাটস্বায়িনা চনখি। মিনট ৩ লৈরগা থোমাস ম্যুনিয়রগী বোলদা হান্স ভানাকেননা অনীশুবা পাঞ্জল চনখি। ৩৮শুবা মিনটতা হান্স ভানাকেননা পীরকপা বোলদা লিয়েন্দ্রো ট্রোসার্দনা অহুমশুবা পাঞ্জল অদু চল্লগা মেটচকী অহানবা হাফ লোইগদবা মিনট ৩ ৱাংলিঙৈদা জেরিমি দোকুনা ৪শুবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখি।

অনীশুবা হাফতা বেলজিয়মগী মায়কৈদগী অহানবা হাফতা পাঞ্জল অমমম্ চনখিবা হান্স ভানাকেন অমদি লিয়েন্দ্রো ট্রোসার্দনা পাঞ্জল অমমম্গা হাপচিনবা ঙমখি। লোয়ননা টিমমেট দেনিশ প্রেট অমদি খৃষ্টিয়ন বেন্টিকেনা অহেনবা পাঞ্জল ২ হাপচিল্লগা ৮-০দা থোইখি।

অতোপ্পা য়ুরোপ ক্বালিফায়িং টুর্নামেন্টকী মেটচ অমদা পোর্টুগালনা লুজেমবোর্গপু পাঞ্জল ৩-১দা থোইবা ঙমখি।

মেটচকী পুংখায় ফাজিল্লকপদা লুজেমবোর্গকী মায়কৈদগী গর্সন রোদ্রিগেজনা পোর্টুগালগী মায়োক্তা অহানবা পাঞ্জল অদু চল্লগা মাঙজিল থাবা ঙমখি। অদুবু পোর্টুগালগী মায়কৈদগী অহানবা হাফ অদুগী ইঞ্জুরি টাইমদা পেদ্রো নেটোনা পীরকপা বোলদা দাইয়োগো জোটানা ইক্বেলাইজর অদু চনখি। অনীশুবা হাফ হৌরকপা ইকুই কুইদ্রিঙৈ ৫১শুবা মিনটতা জোৱা কেন্সেলোনা পীরকপা বোলদা কৃষ্টিয়ানো রোনাল্ডোনা পাঞ্জল ১ চনশিল্লগা ২-১দা হেনখি। অদুগা ৮০শুবা মিনটতা পেদ্রো নেটোনা অমুক্তা হন্না পীখিবা বোল অমদা জোৱা পলহিনহানা ৩শুবা পাঞ্জল অদু চল্লগা মায় পাকখি।

## ইন্দিয়াগী কৃষ্ণ প্রসাদ গারাগা অমসুং বিষ্ণু বর্ধান ওর্লিয়েন্স মাষ্টর্সকী নুপাগী দবলসতা রন্নর্স অপ তাখ্রে

পেরিস, মার্চ ৩১ (এজেন্সী):

ফ্রান্সকী পেরিসতা থা অসিগী ২৩দগী হৌখিবা ওর্লিয়েন্স মাষ্টর্স বেদমিন্টন টুর্নামেন্টকী নুপাগী দবলস কাঙলূপ্তা ইন্দিয়াগী প্যের কৃষ্ণ প্রসাদ গারাগা অমসুং বিষ্ণু বর্ধান গোর পঞ্জালা ফাইনেলদা মায়থীহৌদুনা রন্নর্স অপ তাহৌরে।

থা অসিগী ২৮দা শান্নখিবা নুপাগী দবলসকী মেটচ অদুদা ইন্দিয়াগী প্যের অদুনা ফাইনেল অদুদা ইংলেন্দগী বেন লেন অমদি সোন বেন্দিগা লন্থা তৌনখি। অহানবা গেম অদু ইন্দিয়াগী প্যের অদুনা ২১-১৯দা থোইরগা গেম অমা মাঙজিল থাখিবনি। অদুবু ইংলেন্দগী প্যের অদুনা অনীশুবা গেম অদু ২১-১৪দা থোইরগা গেম অমমম্ মান্নখি। দিসাইদিং গেমদা ইংলেন্দগী প্যের অদুনা ২১-১৯দা থোইরগা টাইটল লৌবা ঙমখিবনি।



নুপীগী দবলসতা থাইলেন্দগী প্যের জোংকোলফান অমসুং রাৱিন দানা বলগেরিয়াগী প্যের গেব্রিএলা ষ্টোএভা অমসুং ষ্টেফানি ষ্টোএভাবু ষ্ট্রেট গেম অনীদা ২১-১৬, ২১-১৬তা থোইদুনা নুপীগী দবলস চেম্পিয়ন ওইখি।

মিক্স দবলসতা দেনমার্ককী প্যের অনীগী লন্থাদা মাথিয়াজ খৃষ্টিয়ানসেন অমসুং অলেকজেন্দ্র বোয়েনা নিক্লাস নোহর অমদি এমালি মাজেলুনবু ষ্ট্রেট গেম অনীদা ২১-১৩, ২১-১৭তা থোইদুনা মিক্স দবলসকী টাইটল লৌবা ঙমখি।

নুপীগী সিঙ্গলসতা থাইলেন্দগী বুসানন্দ ওংবামরুংফান অমসুং দেনমার্ককী লিনে খৃষ্টোপর্সেনগা লন্থা তৌনখি। অহানবা গেম খৃষ্টোপর্সেননা ২১-১৬তা থোইখি। অনীশুবা গেম থাইলেন্দগী বুসানন্দনা ২১-১৫দা থোইদুনা গেম অমমম্ মান্নদুনা লাকখি। অহুমশুবা অমদি দিসাইদিং গেম অদুদা শান্নরোয় অনীগী অকনবা লন্থা তৌরকপদগী লাকশিন্নবা ঙমদনা পোইন্ট ইন্নদুনা লাকখি। পোইন্ট ১৯-১৯ ফাওবা মান্নদুনা লৈরম্বদগী থংনবা পোইন্ট ২ থাইলেন্দগী বুসানন্দ ওংবামরুংফানন লৌবা ঙমদুনা গেম অদু ২১-১৯দা থোইরগা নুপীগী সিঙ্গলস টাইটল লৌবা ঙমখি। নুপাগী সিঙ্গলসতা ফ্রান্সকী টোমা জুনিয়র পোপোবনা দেনমার্ককী মেদস খৃষ্টেপর্সেনবু ২৩-২১, ২১-১৩দা থোইরগা চেম্পিয়ন ওইখি।

## ইন্দিয়াগী ভুবনেশ্বর কুমারনা কুমজা ২০১৭কী মতুংদা অহানবা ওইনা ও দি আই রেঙ্কিংদা ১১শুবা পোজিসনদা হাইগৎতুনা ফজখ্রে



ন্যু দেল্লী, মার্চ ৩১ (এজেন্সী):

ইন্দিয়াগী বোলরশিংগী মনুংদা ভুবনেশ্বর কুমারনা হন্দক্তা নৌনা ইন্টরনেসনল ক্রিকেট কাউন্সিলনা লাউথোকখিবা ৱান দে ইন্টরনেসনল ক্রিকেটকী বোলরশিংগী ওইবা রেঙ্কিংদা কুমজা ২০১৭কী সেপ্টেম্বর থাগী মতুংদা ২০শুবা পোজিসনদা হাইথরম্বদগী হন্দক্তা ইংলেন্দগা শান্নবা সেরিজদা ইন্দিয়ানা মায় পাকপা অদুদা অচৌবা থৌদাং লৌবা ঙমখিবদগী থাক ৯ হাইগৎলগা ১১শুবা পোজিসনদা লৈবা ঙমখ্রে।

ইংলেন্দগা শান্নবা ৱান দে মেটচ অহুমগী সেরিজ অদুগী ফাইনেল মেটচতা ভুবনেশ্বর কুমারনা ইংলেন্দগী মরুওইবা বেটসমেন ৩ আউট তাহন্দুনা মায় পাকপগী অচৌবা থৌদাং লৌখিবনি।

আই সী সীগী মায়কৈদগী নৌনা থোরকপা মকোক-মথং তাবগী পরিং অসিদা বেটসমেন কে এল রাহুলনা হান্না ৩১শুবা পোজিসনদা লৈরম্বদগী ২৭শুবা পোজিসনদা হাইগৎখি। অমরোমদা, ওল রাউন্দর হার্দিক পান্দিয়াসু মহাক্কী করিয়রগী খ্বাইদগী ফজবা পোজিসন ওইনা ৪২শুবা পোজিসনদা হাইগৎপা ঙমখি।

সর্দুল থাকুরনা ফাইনেল মেটচ অদুদা ইংলেন্দগী বেটসমেন ৪ আউট তাহনখিবা পর্ফোর্মেন্দ অদুগী মতুংইন্না থাক ১৩ হাইগৎলগা হান্না ৯৩শুবা পোজিসনদা লৈরম্বদগী ৩৫শুবা পোজিসনদা হাইগৎখি। ইন্দিয়াগী কেপ্টেন ভিরাট কোহলি টি-২০গী রেঙ্কিংদা ৫শুবা পোজিসনদা হন্থখি। মহাক্কী মহুৎ অদু ন্যু জিলেন্দগী বেটসমেন দেবোন কোনৱেনা শীনখি। ইংলেন্দগী ইনিংস দয়া সেরিজ অদুদা ইন্দিয়ানা ফোর্মেট ৩মক্তা থোইদুনা সেরিজ লৌখিবনি।

## নম্বর ৱান ওষ্ট্রেলিয়াগী এস্লি বার্টি মিয়ামি ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপীগী সিঙ্গলসকী সেমীফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে



মিয়ামি, মার্চ ৩১ (এজেন্সী):

নুপীগী টেন্নিসকী সিঙ্গলসকী নম্বর ৱান শান্নরোয় ওইরিবী ওষ্ট্রেলিয়া মচা এস্লি বার্টি য়ু এস এগী মিয়ামি ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টকী সেমীফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

মশাগী চহী ২৪শুরবী এস্লি বার্টিনা ক্বার্টর ফাইনেলদা ৭শুবা সিদেদ শান্নরোয় বেলারুসকী এরিয়না সভালেনকাবু পুং অনী মখায় চঙনা অকনবা লন্থা থেংনরবা মতুং অহানবা সেট ৬-৪দা থোইবা ঙমখি। অনীশুবা সেট অদু এরিনা সভালেনকানা টাই ব্রেকতা ৭-৬ (৭-৫)দা থোইরগা সেট অমমম্ মান্নখি। অদুবু অহুমশুবা অমদি দিসাইদিং সেট অদু বার্টিনা ৬-৩দা থোইরগা সেমীফাইনেল য়ৌবা ঙমখি। মহাক্না সেমীফাইনেল লন্থা তৌগদৌরিবা শান্নরোয় অদু লাটভিয়াগী অনাষ্টেসিয়া সেভাষ্টোভাবু ৬-৩, ৬-২দা থোইরম্বী য়ুক্রেনগী এলিনা স্বিটোলিনানি।

ঙসি অথেংবদা ক্বার্টর ফাইনেল লন্থা তৌগদৌরিবা অতোপ্পা শান্নরোয় অদুদি কানাদাগী বিয়ানকা এন্দ্রিস্কু অমসুং স্পেনগী সারা সোরিবস টোর্মো লোয়ননা অনীশুবা সিদেদ জপানগী নাওমি ওসাকা অমসুং গ্রিসকী মারিয়া সকারিনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলস কাঙলূপসু ক্বার্টর ফাইনেল থাক্তা লৈখ্রে। নম্বর ৱান সিদেদ রসিয়াগী দানিল মেদভেদেভনা স্পেনগী রোবর্টো বোটিষ্টা অগুটকা লন্থা তৌনগনি। অনীশুবা সিদেদ শান্নরোয় গ্রিসকী ষ্টিফানোস সীসীপাসনা পোলেন্দগী হুবর্ট হুর্কাসকা ক্বার্টর ফাইনেল থেংনগনি। অতোপ্পা রসিয়াগী শান্নরোয় টুর্নামেন্ট অসিগী মরিশুবা সিদেদ এন্দ্রি রুব্লেভনা য়ু এস এগী সেবেষ্টিয়ন কোর্দাগা লন্থা তৌনগনি। অদুগা অতোপ্পা ক্বার্টর ফাইনেলদনা ইটলিগী জানিক সিনর অমদি কাজাখষ্টানগী অলেকজেন্দর বুব্লিককনি। নুপাগী দবলসতা সেমীফাইনেল য়ৌখ্রবা প্যের অদুদি ক্রোএসিয়াগী ইভান দোগিক অমসুং স্লোভেনিয়াগী এফ পোলাসেকনি।

## হন্দক্তা ইন্দিয়াগী নুপাগী সিনিয়র হোক্কী টিমনা গ্রেট বৃটেন অমদি জর্মনিগী টুর অদু মায় পাকখিবগুম অতোপ্পা টুর অমসু পাম্লি : মনপ্রিট

ন্যু দেল্লী, মার্চ ৩১ (এজেন্সী):

ইন্দিয়াগী নুপাগী টিমগী কেপ্টেন ওইরিবা মনপ্রিট সিংহনা হন্দক্তা য়ুরোপ টুরদা টিম অদুনা গ্রেট বৃটেন অমসুং জর্মনিগা লন্থা তৌনখিবা অদুদা মায়থীদনা হল্লকখিবা অদুগুম্না মখা তাবা মায় পাকপা টুর অমা পাম্লি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

মহাক য়ুরোপিয়ন টুর অদুদা শরুক য়াখিদ্রবসু ইন্দিয়াগী টিম অদুনা জর্মনিগা মেটচ অনী শান্নবদা অমা থোইরগা, অমা ড্রো চৎখি। লোয়ননা গ্রেট বৃটেনগা লন্থা তৌনবা অদুদসু মেটচ অমা ড্রো চৎলগা অমনা থোইবা ঙমখি। হৌজিক ইন্দিয়াগী নুপাগী হোক্কী টিম অসিনা এফ আই ঐচ প্রো লীগকী মখা তারকপা মেটচ ওইনা অর্জেন্টিনাদা চৎতুনা মেটচ অনী শান্নগদৌরিবনি।


ইন্দিয়াগী হোক্কী টিম খক্তা নৎতনা অতোপ্পা লৈবাক্কী টিমশিংসু কোভিদ-১৯না মরম ওইদুনা কুমজা ২০২০গী অয়াম্বা শরুক কম্পিটিটিভ হোক্কী অমত্তা শান্নবা ঙমখিদবনি। মশাগী চহী ২৮শুরবা মনপ্রিটনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, য়ুরোপকী টুর অদু মহাক মশামক্কী ওইবা অপনবা খরা লৈবদগী মহাক য়াওখিদবনি। অদুবু ইন্দিয়াগী টিমনা মেটচ অমত্তা মায়থীদনা লাকখিবা অদু য়াম্না চাউথোকচনিংঙাই ওইখি হায়রি।



টোকিও ওলিম্পিক গেমসকী শেম শাবা ওইনা চৎখিবা য়ুরোপকী টুর অদুদা শরুক য়াখিবা নহাশিংগী মনুংদা হন্দক্কী অর্জেন্টিনা টুর অসিদসু য়াওগদৌরি। মখোয়গা পূন্না শান্নমিন্নবদা অহেনবা লাল্লোং কয়া অমসু মায়োক্নবা টিমগী মথক্তা শীজিন্নবা ঙমগনি হায়খি।

পনবা য়াই, মনপ্রিট মশামক কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরুরবনি। মদুগী মতুং চয়োল ৬ হেন্না শান্নবা য়াওখিদে। অদুবু বেঙ্গলুরুদা লৈবা স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়াগী সেন্টর অমদি হোক্কী ইন্দিয়ানা লৌখৎলকপা মতেংগী খোঙথাংশিং অদু য়াম্না থাগৎনিংঙাই ওইখি হায়রি। হৌখিবা থা খরা অসিদা অকনবা ট্রেনিং চথদুনা লৈরি।

## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



### PUZZLE NO. 66

**Muzychuk,A (2417) - Bellia,F (2390)**

**FSGM February Budapest HUN (8), 2006.02.11**

| | | | |
|---|---|---|---|
| 1.e4 e5 | 2.Nf3 Nf6 | 3.Nxe5 d6 | 4.Nf3 Nxe4 |
| 5.Nc3 Nf6 | 6.d4 d5 | 7.Bd3 Be7 | 8.Bf4 O-O |
| 9.h3 c6 | 10.O-O Re8 | 11.Ne5 Nbd7 | 12.Ne2 Nxe5 |
| 13.dxe5 Nd7 | 14.Nd4 Nc5 | 15.c3 Nxd3 | 16.Qxd3 Bf8 |
| 17.Rad1 Qb6 | 18.Rd2 Bd7 | 19.Re1 g6 | 20.Qg3 Qa6 |
| 21.b3 c5 | 22.Nf3 Bf5 | 23.h4 Qa5 | 24.Re3 Rad8 |
| 25.Bg5 Rd7 | 26.h5 Qa3 | 27.Kh2 Qc1 | 28.hxg6 Bxg6 |
| 29.Bf6 Re6 | 30.Qf4 b5 | 31.b4 a6 | 32.bxc5 Bxc5 |
| 33.Rd4 Qc2 | 34.Qh6 Bf8 | 35.Qh4 Rc7 | 36.Rxd5 Re8 |
| 37.Ng5 Rxc3 | 38.e6 Rxe3... | | |

**QUESTION :**

**White wins in 2 moves**

**Puzzle 65 Ans. :**

**43.**...Be2 **44.**Rxf5+ Kg4 **45.**Rf4+ Kh5 **46.**Qxd5+ f5 **47.**Rxf5+ gxf5 **48.**Qxf5#


**44.**Rxf5+ gxf5 **45.**Qe8+ Kg4 **46.**Qg6+ Kf3 **47.**Qxf5#


ANGELS' COACHING CENTRE
URIPOK POLEM LEIKAI
THE MOST TRUSTED COACHING CENTRE IN THE CITY
ADMISSION OPEN CLASS 10 REVISION Starts on 12th Feb., 2021
FOUNDATION COURSE Class 6 to 10 Starts on 19th February 2021
Reshmi Nandeibam
PITAMBRA ENGLISH SCHOOL
D/o. N. Rishinanda & RK Sanahanbi
1ST POSITION 2020





It is, indeed, a true fact that Angel's is one of the best and trustworthy coaching institutes in Imphal where we can rely upon for gaining success in the HSLC Examination. Indeed, the facilities provided by Angel's Coaching Institute helped me a lot in gaining this kind of success. — Reshmi Nandeibam
TOPPERS of 2020


9TH POSITION NOVEENA KSH D/o. Sarvodayachand Nirmalabas
10TH POSITION CHALTAN Y. S/o. Y. Shantikumar St. Joseph
15TH POSITION TH. JEET S/o. Th. Rashi St. Joseph
19TH POSITION DHANTHOI S. D/o. S. Homeshor Nirmalabas
19TH POSITION MARY L. D/o. Dr. John P. Little Flower
25TH POSITION H. NANDIBALA D/o. H. Nandalal Nirmalabas
25TH POSITION HENRY O S/o. O. Kumud St. Joseph

| HSLCE 2021 MEGA MOCK TEST | Exam - Time 1p.m. to 4 p.m. | Date | 22/03/2021 | 24/03/21 | 27/03/21 | 03/04/21 | 05/04/21 | 08/04/21 |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | Sub: | Maths | MIL | S. Sc. | Science | English | Adl. Sub. |

SEPARATE BOARDING FOR BOYS & GIRLS CONTACT : 7628946313 / 9612441824 / 8732022342
HL-B/6807/23/2-25/3
HL-B/6869/23/3-23/5 (alt)



ADVANCED COACHING INSTITUTE
FOUNDATION COURSE FOR VI TO XII 2021
OUR POSITION HOLDERS IN HSLC, CBSE AND COHSEM EXAM
COUNT IF YOU CAN ..................





ARTS
SCIENCE
3rd Post '20 PH. FIROJH, 7TH Post '20 TH. OBINKUMAR, 8th Post.'20 N. PARITON, 8th Post.'20 N. PARIHAN, 10th Post.'20 S. SANATHOI, 5th Post '19 SHARMELI, 5TH Post '19 H. BERON, 8th Post. '19 LINTHOINGANBI, 10th Post. '19 L. BRINDASHI, 19TH Post '20 ELIA NEPRAM, 19TH Post'20 R.K. NEVITA, 2th Post'19 ASEN SOPHIA, 7th Post'19 W. NINGTHEM
4TH Post '19 ROBINSON, 6TH Post '19 SHAH MINHAZ, 8th Post.'19 ANJU ANAND, 9th Post.'19 THOUNGAMBA, 16th Post.'19 SAMANANDA, 7th Post'19 W. SANAMATUM, 8TH Post'19 U. ADHITYA, 15th Post.'19 REHAN YUMNAM, 22th Post.'19 R OSHAN KH., 23rd Post'19 RICKY KHAIDEM, 23TH Post'19 SOIBAM DIANA, 24th Post.'19 L AMJINGBA, S. NEHA CBSE—95%
MANY MORE TOP-PRS
RAPID TEST SERIES ON EVERY SUNDAY
⟹ QUESTIONS ANALYSIS BASE ON PREVIOUS YEARS QUESTIONS OF HSLC, CBSE & COHSEM
⟶ TO SCORE HIGH MARK AND EASY TO EXAM PATTERN SYSTEM
TIME (MORNING) 04.30 — 7.50 A.M. & (EVENING) 04.30 — 7.50 P.M.
SEPARATE HOSTEL FOR BOYS & GIRLS'
★ SPECIAL FEE CONCESSION ON GOVT. SCHOOL & 90% ABOVE IN X EXAM.
SPECIAL REVISION COURSE FOR 40 DAYS
FOR QUARY : 9862992105
CLASS XII (SC. ARTS & COMMERCE) CBSE & COHSEM — 25th MARCH
CLASS XII (SCIENCE) CBSE & COHSEM — 22ND MARCH
CLASS X (CBSE & BOSEM) — 25th MARCH
CLASS X (CBSE & BOSEM) & XI (SCIENCE) — 22ND MARCH
★ HALF FEE ON REVISION COURSE OF EX – ACIAN STUDENTS.
★ VAN SERVICE BOTH MORNING AND EVENING
★ FREE FOR RANK STUDENTS IN HSLC EXAM 2021
★ SEATS ARE LITED FIRST COME FIRST SERVE
ADMISSION OPEN FOR FOUNDATION OF CLASS 6 TO 9
LOG ON : fb / youtube / google - advanced coaching institute
NAGAMAPAL LAMABAM LEIKAI BRANCH & KWAKEITHEL AKHAM LEIKAI BRANCH